# ‘ইন্দিয়া, পাকিস্তানগী লালদা নাকল অনীমক্না ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং শিজিন্নরকপা য়াই’



ৱাশিংটন, মার্চ ১০ :

পাকিস্তানদা বেজ ওইবা টেররিষ্টশিংগী এটেকশিং হেনগৎলকপা অমসুং ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী এটেকশিং অদুদা রিয়েক্ট তৌবনা লৌহন্নিংদবা ৱারেপ লৌরকপা য়াবগী ওইথোকপা ফীভম হেনগৎহনবনা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা কনভেন্সনেল লাল অমা শোক্নরকপা মতমদা নাকল অনীমক্না ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং শিজিন্নদুনা খুৎ থানরকপা য়াই হায়না য়ু এসকী টোপ জেনরেল অমনা চেকশিন-ৱারোল ফোঙদোকখ্রে।

সিনেট আর্মদ সার্ভিসেস কম্মিটিদা মহাক্কী ৱারোল পীরদুনা য়ু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দ এন্দ সেন্টকোমগী কম্মান্দর জেনরেল জোসেফ ভোটেলনা হায়খি, ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা টেন্সন মখা তানা লৈরি।

‘ইন্দিয়াদা মিৎয়েং থন্বা পাকিস্তানদা বেজ ওইবা মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎপগী ফীভমদা হৌজিকসু ইন্দিয়ানা নুংনাংদুনা লৈরি অমসুং চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইন্দিয়ানা পায়শিল্লিবা লমগী শরুক্তা টেররিষ্টশিংনা এটেক কয়া চথুরকখিবা মতমদা লৈবাক অসিনা মিলিটরি পাঙ্গল শিজিন্নদুনা পাউখুম পীবসু লৈখ্রে হায়না ভোটেলনা ঙরাং অমেরিকান সিনেটরশিংদা ফোঙদোকখি।

‘অসিগুম্বা মখলগী এটেকশিং অমসুং রিয়েক্সনশিংনা নাকল অনীমক্না শেরান্নবা ৱারেপশিং লৌনরকপা য়াবগী ওইথোকপগী চাং হেনগৎহল্লি’ হায়না মহাক্না হায়খি। ‘অমুকসু, পাকিস্তানবু দিপ্লোমেটিক ওইবা পান্থে শিজিন্নদুনা নাইতোম তাহন্নবা হোৎনবা ইন্দিয়াগী পব্লিক পোলিসীনসু লৈবাক অনীগী মরী ফগৎলকপা য়াবগী ওইথোকপশিং মাংহল্লি।

পাকিস্তান অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা অচৌবা কনভেনস্নেল কনফ্লিক্ট অমা লাকপা মতমদা ন্যুক্লিয়র পৱারশিং ওইনরবা লৈবাক অনীমক্না ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং শিজিন্নদুনা খুৎ থানরকপা য়াবনা ফীভম অসি অখন্নবা মীপাইনিঙাই ওই হায়না ভোটেলনা ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী জেনরেল অসিনা হায়খি, পাকিস্তাননা মসিগী নোংপোক থংবা বোর্দরদা মিৎয়েং থন্বা হেনগৎপগী ফীভম লৈবসিনা অফঘানিষ্টানগা তাইনবা লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবা বোর্দরদা টালিবান অমসুং অল-কাইদাগী ফাইটরশিং চঙহন্দনবা হোৎনবগী থবক্তগী মিৎয়েং থাপতোকহল্লি।

নোংচুপ থংবা বোর্দর পরিং সিক্যুর ওইহনবগী ৱাফম অসি ইস্লামাবাদনা পায়খৎকদবা মরু ওইবা থবকশিংগী মনুংদা অমা ওইদুনা লৈখিগনি। মসি পাকিস্তানি মিলিটরিনা বোর্দর কন্ট্রোল হেন্না পাকথোক-চাউথোক্নবা হোৎনবা অমসুং পরামিলিটরি সিক্যুরিটি ইমপ্রুভ তৌনবা হোৎনবগী মওংদগী খঙবা ঙমই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ভোটেলনা সিনেটকী মেম্বরশিংদা হায়খি মদুদি, য়ু এসনা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা গ্রুপশিংগী মনুংদা তরেৎতি পাকিস্তানদা ‘ময়ুম’ ওইদুনা লৈ। ‘গ্রুপশিং অসিনা পাকিস্তানদা অয়েৎপা অমত্তা পীদনা লৈরিবমখৈ অফঘানিষ্টানগী তুং কোইনা তং-তানা লৈবগী ফীভমদা কিহনগনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, খ্বাইদগী অখন্ননা নুংনাংনিঙাই ওইরিবদি অফঘানিষ্টানদা ওপরেট তৌরিবা কোলিসন ফোর্সশিংদা খ্বাইদগী চাউনা অকিবা পোকহল্লিবা হক্কানি নেটৱার্কনি। হৌজিক ফাওবদা পাকিস্তানি মিলিটরি অমসুং সিক্যুরিটি সার্ভিসশিংনা নেটৱার্ক অসিগী মায়োক্তা তুং কোয়না চৎকদবা এক্সন অমত্তা লৌখৎপা লৈত্রি।

# ৱেষ্টর্ন নেপালদা বস এক্সিদেন্ট থোকপদা মীওই ২৫ শিখ্রে



কঠমন্দু, মার্চ ১০ :

ৱেষ্টর্ন নেপালদা থোকখিবা বস এক্সিদেন্টদা শিখিবা মী মশিং ঙসি ২৫ য়ৌখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

মীওই ৬০ তোংবা বস অদু ঙরাং ৱেষ্টর্ন নেপালগী হাইৱেদা চেল্লিঙৈদা লম্বীগী নাকলদা মিটর ২০০ রোম লুথনা তাশিনখিবনি।

বসতুদা য়াওবা মীওই ২৫ শিরে অমসুং ৪০ হেন্না শোক্লে হায়না হিমালয়ন টাইমসনা পুলিসকী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি। এক্সিদেন্ট অদু জজাকোর্ট দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি। বস অদু ফীভম চাদবা লম্বীদা ফাওরিঙৈদা লম্বীগী মতাইদা খঙলৈ লৈশিনখিবদগী মখাদা ওন্থখিবনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা ভিক্টিম ১৫ মশক মমিংশিং খঙবা ঙল্লে। অতৈ অশিবশিংদুদি মশক খঙবা ঙমদ্রি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

বস অদুনা খলঙ্গাদগী খা পাংনা চেনখিবদা ধঙ্গারেদন্দাদা এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনি হায়রি।

ঙরাং রেস্ক্যু ওপরেসনগীদমক নেপালগী আর্মি অমসুং পুলিস পার্সনেল থাজিনখি।

দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং মিনিষ্টর ফোর হোম এফেয়ার্স বিমালেন্দ্রা নিধিগী ইন্সট্রক্সন মখাদা খুদক্তা এক্সিদেন্ট মফমদুদা নাইট-ভিজন হেলিকোপ্টরশিং শিজিন্নদুনা রেস্ক্যু ওপরেসন পাঙথোকখি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ার্সকী স্পোকসপার্সন বাল কৃষ্ণ পন্থীনা ফোঙদোকখি।

অশোকপশিংদু জজাকোর্টতা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা এদমিট তৌখ্রে হায়রি। দি এস পি ভধেশ রিমালনা এক্সিদেন্ট অদু স্পীদ কা হেনবদগী ওইবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিনা মপানগী পোলিটিকেল দোনেসনশিং থিংনবা তকশিনখ্রে



কানবেরা, মার্চ ১০ :

ওষ্ট্রেলিয়াদা চাইনাগী পোলিটিকেল ঈথিল চঙলকপগী ফীভম অমসুং রসিয়ানা য়ু এসকী প্রসিদেন্সিয়ল মীখলদা খুৎ থিংজিনখিবগী মওংবু হকচিন্না লৌরদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি অমনা ইরাই নুমিৎতা মীরৈবাক্কী কম্পেনিশিং অমসুং লন্নাই মীওইশিংনা পীবা পোলিটিকেল দোনেসনশিং থিংনবা রিকমেন্দ তৌখ্রে।

মপানগী দোনেসনশিংবু অথিংবা থল্লিবা য়ু এস অমসুং অতৈ লৈবাক কয়াগা মান্নদবা মওংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী লোনা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং মপানগী দোনরশিংগী মরক্তা খেন্নবা অমুক্তা থমখিদ্রি হায়রি।

তৌইগুম্বসুং জোইন্ট ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন ইলেক্টোরেল মেট্টর্সনা রেজিষ্টর তৌরবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং এসোসিয়েটেদ এন্টিটিশিংনা মপানগী দোনেসনশিং লৌবদা অথিংবা থম্নবা রিকমেন্দ তৌখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়নশিংদনা লৈবাক অসিগী পোলিটিক্স অমসুং মীখলদা ঈথিল পীবা ঙম্বগী পৱার পায়গদবনি হায়বসি নেসনল সোভরন্টিগী ৱাফম অমনি হায়না কম্মিটিগী চেয়র লিন্দা রৈনোল্ডসনা ফোঙদোকখি।

বেন অদু পোলিটিক্স য়াওবা ইনভাইরনমেন্টল অমসুং এক্টিভিষ্ট গ্রুপশিংদসু চৎনহনগদবনি হায়বা কম্মিটিগী রিকমেন্দেসন ওপোজিসননা রিজেক্ট তৌখ্রে।

য়ু এসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাগী এদমিনিষ্ট্রেসননা হৌখিবা চহীদা চাইনিজ কম্পেনি অমসুং লন্নাই মীওইশিংনা পীবা পোলিটিকেল দোনেসনশিংগী ঈথিল চঙহন্দনবা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিষ্টেম শেমদোক্লবা আপিল তৌখি। চাইনা অসি ওষ্ট্রেলিয়াগী খ্বাইদগী হেন্না শেল থোকহনবা লল্লোন-ঈতিক্কী পার্টনর অমসুং খ্বাইদগী চাউবা মপানদগী পোলিটিকেল ফন্দশিং লাকফমনি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা মতমদুগী এম্বেসেদর জোন বেরিনা হায়খি, ওষ্ট্রেলিয়াগী পোলিটিক্সতা চাইনিজ মচাশিংনা থাদরিবা শেনফম অমসুং পীরিবা ঈথিলগী চাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ঙকপা পোকই অমসুং য়ু এসনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ফোরন দোনেসনগী ইস্যু অসি লৈখায় তাহনবা পাম্মী।

চাইনাগী কম্পেনি অমদা ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর ১,৫৭০ (য়ু এস দোল্লর ১,২৫০) গী ত্রাভেল বিল অমা পীনবা হায়রুবদগী লেবরগী সিনেটর সাম দাষ্টয়ারিনা মফম থাদোকখিবা মতুং চয়োল অমগী মমাঙদা ওপোজিসন লেবর পার্টিনা মপানদগী পোলিটিকেল দোনেসনশিং পীরকপা থিংনবা আপিল তৌখিবনি।

দাষ্টয়ারিনা লো থুগায়খিবা লৈত্রবসু সিদনিদা বেজ তৌবা কম্পেনি টোপ এদ্যুকেসন ইন্সটিট্যুটতা পার্সনল বিল পীহনবা হায়বসি লাল্লি হায়বা খঙখি। কঞ্জাভের্টিভ গভর্ণমেন্টগী লোমেকরশিংসু চাইনিজ শেল য়াম্না করপসনগী মচু শংলবনি হায়রি।

# কেফেদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ২ শিরে, ১ থীনা শোক্লে



বর্ন, মার্চ ১০ :

শগোলশেল নুমিৎতা স্বিটজরলেন্দগী বাসেলদা লৈবা স্বিশ কেফে অমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিখ্রে অমসুং অমনা ফীভম লুনা শোকখ্রে হায়না এ এফ পিনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়রি।

সি জি টি এন ন্যুজগী মতুং ইন্না, নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তু শগোলশেল নুমিৎকী লোকেল মতমদা পুং ২০:১৫ তাবদা থোকখি। মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, নুপা অনীনা কেফে অদুদা চঙলগা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপখি।

সি জি টি এনগী পাউ মতুং ইন্না, প্রোসিক্যুটরগী ওফিসকী ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্টনা ইনভেষ্টিগেসন চথুবদা নুপা অনীনা কেফেদুদা চঙখি অমসুং নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপখি হায়বসি খঙবা ঙল্লে হায়না স্বিশ পব্লিক প্রোসিক্যুটরগী ওফিসনা ফোঙদোকখি।

এটেক্করশিংদু এটেক্তু পাঙথোক্লবা মতুংদা মফমদুদগী চেনখি। অদুম ওইনমক মখোয়বু ফানবা থিবা হুম্বগী থবক অমা হৌজিকসু চথুরি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

লোকেল মতমদা নুমিদাং পুং ৮:১৫ রোম তাবদা মীওই অনী কেফেদা চঙখি অমসুং নোংমৈ মরু রাউন্দ কয়া কাপখি। এটেক অদুদা কষ্টমর অনী শিখ্রে অমসুং অমনা অরুবা ফীভমদা লৈরি হায়না পুলিসকী ৱারোল অমনা এটেক অদুগী মোটিভকী মতাংদা ইনফোর্মেসন অমত্তা পীদবীদা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা কেফেগা তাইনবা লম্বী থিংজিন্দুনা অতোপ্পা লম্বীদা চথোক-চৎশিন তৌহনখি হায়রি।

স্বিটজরলেন্দদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং য়াম্না তাংনা থোকই তৌইগুম্বসুং মিলিটরি সার্ভিসতা লৈরকপা মীওইশিংবুদি ময়ুমদা খুৎলায় থম্বা য়াহল্লি। করিগুম্বা মতমদা য়ুমদা খৎন-চৈনবা থোকপা মতমদা খুৎলায়শিং অসি শিজিন্নবা য়াওবনা মসিগী হক অসি ৱাথোক অমা ওইরকখি।

# পাক পার্লিয়ামেন্টনা হিন্দু মেরিয়েজ বিল পাস তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ১০ :

পাকিস্তানদা মাইনোরিটি হিন্দুশিংনা লুহোংবগী চৎন-পথাপ কয়া পীগদবা মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরকখিবা মরু ওইবা বিল পাকিস্তানগী পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখ্রে।

নেসনল এসেমব্লিনা ঙরাং হিন্দু মেরিয়েজ বিল, ২০১৭ মোত অমত্তা ওইনা য়ানখিবদগী পাকিস্তানগী হিন্দুশিং হৌজিক্তি মখোয়গী লুহোং-খোংদোংবা রেগ্যুলেট তৌগদবা হিন্দুশিংদগী ওইবা পার্সনেল লো অমা লৈরগনি। লো অদু ইনেক্টমেন্টশিংগী শাংলবা প্রোসেস অমা চথুরবা মতুংদা পাস তৌখিবনি।

নেসনল এসেমব্লিনা বিল অদুবু পাস তৌবসি মসিনা অনীরকশুবনি। নেসনল এসেমব্লিনা বিল অদু হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা পাস তৌখি তৌইগুম্বসুং বিল অদুগী ভর্সন সিনেটনা হোংখিবদগী মদুবু অমুক হন্না পাস তৌবগী তঙাই ফদবা লাকখিবনি। সিনেটনা মদু ফেব্রুৱারীদা অয়াবা পীখি।

রুলশিংগী মতুং ইন্না, পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্না মান্নবা টেক্সট পাস তৌরবা মতুংদা মদু প্রসিদেন্টগী সিগনেচরশিং লৌনবা অমসুং চৎনহন্নবা লাউথোক্নবগীদমক্তা থাগদবনি।

দোন ন্যুজগী পাউনা হায়খি মদুদি, নেসনল এসেম্বলিনা সেপ্টেম্বরদা এপ্রুভ তৌখিবা দ্রাফট অদুদা সিনেটকী এমেন্দমেন্ট অমা য়াওহনখি।

হাউস অনীমক্না এপ্রুভ তৌখ্রবা ফাইনেল টেক্সট অদুদা সাদি পারাথ য়াওই। মসি মুস্লিমশিংগী নিকাহনামাগা মান্নবা দোক্যুমেন্ট অমনি। সাদি পারাথ অসি পন্দিট অমনা সাইন তৌবা চঙলি অমসুং মসি মরী লৈনবা গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্টদা রেজিষ্টর তৌগনি।

অচম্বা দোক্যুমেন্ট অসিদা লুহোংবগী তারিখ লোয়ননা য়ুনিয়ন কাউন্সিল, টেহেসিল, টাউন অমসুং দিষ্টক্টকী মিংশিং য়াওনা কলম নিপান য়াওই।

দোক্যুমেন্ট অসিদা লুহোংগদৌরিবা নুপা অদুগী পার্টিকুলরশিংগী কলমশিং য়াওরি। মখোয়দুদি মহাক্কী মিং অমসুং মপাগী মিং, পোকপগী তারিখ, লুহোংবগী নুমিৎ অমসুং মফম, টেম্পররি এদ্রেস অসিনচিংবনি।

মসিদা মেত্রিমোনিয়ল ষ্টেটসকী মতাংদসু য়াওরি। লুহোংগদৌরিবা নুপীদুসু মসিনা মান্নবা অকূপ্পশিং পীবগী তঙাই ফদবা লৈহল্লি।

লুহোংলিবা নুপা অমসুং নুপী অনীমক্না ৱিটনেস অমা অমসুং রেজিষ্ট্রারগা লোয়ননা দোক্যুমেন্ট অসিদা সাইন তৌগদবনি। হিন্দু মেরিয়েজ বিল অসিনা হিন্দু নুপীশিংগী লুহোংবগী দোক্যুমেন্টরি প্রুফ লৈহল্লগনি হায়রি।

# দেমোক্রেটিক এটোর্নি জেনরেলশিংনা দোনাল্দ ত্রম্পকী ত্রাভেল বেন শীংনবা হেনগৎলক্লি



সিএটল, মার্চ ১০ :

প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ত্রম্পকী রিভাইজ ত্রাভেল বেনদা লিগেলগী ওইবা শীংনবশিং কনশিনহনবা খোঙথাং অমদা দেমোক্রেটিক এটোর্নি জেনরেলশিংনা কোর্টকী সিষ্টেম শিজিন্নদুনা ইগজিক্যুটিভ ব্রাঞ্চকী থবক ফেল ওইহন্নবা হোৎনরি। মসি প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাগী মখাদা জি ও পিগী লেঙমান্নবশিংনা তৌখিবগা মান্নে হায়রি।

ৱাশিংটন ষ্টেটকী এটোর্নি জেনরেল বোব ফগ্যুসননা শগোলশেল নুমিৎতা হায়খি মদুদি, মহাক্না ফেদরেল জজ অমদা হান্নগী ত্রাভেল বেন চৎনহনখিদবা মহাক্না হৌখিবা থাদা থোকখিবা ওর্দর অদু অনৌবা ত্রাবেল বেনদসু চৎনহন্নবা তকশিল্লি।

হাৱাইঈ ষ্টেটনা মসিগী লোসুট ফাইল তৌখিবা মতুং নোংমা লৈরগা ফগ্যুসনগী খোঙথাং অসি লাকখিবন। ৱাশিংটন, মিন্নেসোটা, ওরিগন, ন্যু য়োর্ক অমসুং মেসাচুসিটসনসু রিভাইজ ত্রাভেল বেন অদুবু শীংনবা অনৌবা কমপ্লেন্ট অমা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফাইল তৌনবা থৌরাং তৌখ্রে।

‘ঐহাক্না প্রসিদেন্ট ত্রম্পতা পীরিবা পাউজেলদি থুজিনগনু হায়বসিনি’ হায়না ফগ্যুসননা ফোঙদোকখি।

ফগ্যুসন অমসুং মহাক্কী ফেলো দেমোক্রেটিক এটোর্নি জেনরেলশিংনা হৌজিক ওবামানা ওফিস পায়রিঙৈ মতমদা রিপব্লিকানশিংনা তৌখিবা থবক চথুরি হায়বদি পোলিসীশিং থিংনবা লোসুটশিং ফাইল তৌবগী থবক চথুরি।

রিপব্লিকান এটোর্নি জেনরেলশিংনা মখল মখা কয়াগী ইস্যুশিং মরু ওইনা মহাক্কী হেল্থ ক্যের লেজিসলেসনগী মতাংদা ওবামাগী মায়োক্তা কোর্টতা ৱাকৎখি।

এটোর্নি জেনরেলশিং ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগী চীফ লোইয়রশিংনি অমসুং মখোয়না মখোয়গী ষ্টেটশিংগী মহুৎ শিন্দুনা লোসুট কয়া ফাইল তৌবা ঙম্মী। মখোয় অয়াম্বা ইলেক্টেদ ওই অমসুং মখোয়গী লেজিসলেচরশিং নৎত্রগা গভর্ণরশিংদগী নিংতম্না থবক তৌবা ঙম্মী। ফগ্যুসনগী মতাংদদি ৱাশিংটনগী গভর্ণর জেয় ইন্সলীগী সপোর্ট ফংই। গভর্ণর অসিসু দেমোক্রেট অমনি।

ত্রম্পকী রিভাইজ ত্রাভেল বেন অদুনা মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা লৈবাক তরুক হায়বদি সোমালিয়া, ইরান, সিরিয়া, সুদান, লিবিয়া অমসুং য়েমেনগী সিটিজনশিংদা অনৌবা ভিজাশিং পীবা থিংই। বেন অদুনা য়ু এসকী রিফ্যুজি প্রোগ্রামসু মতম খরগী ওইনা থিংজিল্লি।




## EMPLOYMENT NEWS

### e-Courts Recruitment – 06 Typist Vacancy – Last Date 03 April 2017

Principle District and Session Judge, Gadag invites Application for the post of 06 Typist. Apply Online before 03 April 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**e- Courts Job Details :**
Post Name : Typist
No of Vacancy : 06 Posts
Pay Scale : Rs. 11600-21000/-

**Eligibility Criteria for e- Courts Recruitment :**
Educational Qualification : Must have passed S.S.L.C. or equivalent examination.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and maximum age limit is 18 to 35 years as on 01.01.2017
Age Relaxation : For SC/ST Candidates 05 years & For OBC Candidates 03 years

**Job Location : Karnataka**

**Selection Process :** Selection will be based on Written Test & Interview.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- & for SC/ST Candidates Rs.50/- through Online/Offline.
**How to Apply e- Courts Vacancy :** Interested candidates may apply online through the website http://ecourts.gov.in on or before 03.04.2017. thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application form : 03.04.2017
Last Date for Submission of fee through Challan : 07.04.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://ecourts.gov.in/sites/default/files/Notification%20for%20the%20post%20Typist.pdf
**Apply Online :** http://ecourts.gov.in/india/karnataka/gadag/recruitment

### e-Courts Recruitment – 11 Stenographer Vacancy – Last Date 03 April 2017

Principle District and Session Judge, Gadag invites Application for the post of 11 Stenographer. Apply Online before 03 April 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**e- Courts Job Details :**
Post Name : Stenographer
No of Vacancy : 11 Posts
Pay Scale : Rs. 14550-26700/-

**Eligibility Criteria for e- Courts Recruitment :**
Educational Qualification : Must have passed S.S.L.C. or equivalent examination with Diploma in Commercial Practice / Secretarial Practice or any other examination recognized as equivalent examination to them by Universities or Karnataka Secondary Education Examination Board or Technical Board.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and maximum age limit is 18 to 35 years as on 01.01.2017
Age Relaxation : For SC/ST Candidates 05 years & For OBC Candidates 03 years

**Job Location : Karnataka**

**Selection Process :** Selection will be based on Written Test & Interview.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- & for SC/ST Candidates Rs.50/- through Online/Offline.
**How to Apply e- Courts Vacancy :** Interested candidates may apply online through the website http://ecourts.gov.in on or before 03.04.2017. thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application form : 03.04.2017
Last Date for Submission of fee through Challan : 07.04.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://ecourts.gov.in/sites/default/files/Notification%20for%20the%20post%20Stenographer.pdf
**Apply Online :** http://ecourts.gov.in/india/karnataka/gadag/recruitment

### Central Reserve Police Force – CRPF Recruitment – 219 Assistant Sub-Inspector (Steno) Vacancies – Last Date 25 April 2017

**CRPF Recruitment 2017**
Central Reserve Police Force (CRPF) invites application for the post of 219 Assistant Sub-Inspector (Steno) through direct recruitment. Apply Online before 25 April 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**CRPF Job Details :**
Post Name : Assistant Sub-Inspector (Steno)
No. of Vacancy : 219 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2800/-

**Eligibility Criteria for CRPF Recruitment :**
Educational Qualification : Candidates must have passed Intermediate (Class 12th) ( under 10+2 system) or equivalent examination from a board or university recognized by Central or State Government and Dictation 10 minutes @ 80 words per minute Transcription time 50 minutes in English or 65 minutes in Hindi on computer.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and maximum age limit is 18 to 25 years as on 25.04.2017
Age Relaxation : 5 years for SC/ ST candidates and 3 years for OBC candidates.

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made on PET/PST & Written Examination/Skill test or Medical Examination.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through SBI Challan OR Net Banking OR Credit card /Debit Card. candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe and ExServicemen eligible for reservation are exempted from paying fee.
**How to Apply CRPF Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://crpf.nic.in form 27.03.2017 to 25.04.2017 thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application form : 27.03.2017
Last Date for Submission of Online Application form : 25.04.2017
Last Date for Submission of SBI Challan : 20.04.2017
Date of Written Examination : 16.07.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://crpf.nic.in/writereaddata/Portal/Recruitment_Advertise/ADVERTISE/1_111_1_3320317.pdf
**Apply Online :** http://www.crpfindia.com/index.html